# আধার লৈতবা মীওইদি লৈবাক অসিদা লৈতে হায়না লৌগদৌরিব্রা : এপেক্স কোর্ট



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টনা হায়খ্রে মদুদি, আধার কার্দ পায়দবা মীওইশিং গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েংদা লৈবাক অসিদা লৈতে হায়না লৌগদৌরিব্রা।

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা মীওই কয়ানা লৈঙাক্কী সেল্টর হোমশিংদা চঙজফম লৌহনবগা মরী লৈননা চত্থবা হিয়ারিং অমদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এপেক্স কোর্টকী জজশিংনা হায়খি, ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা মীওই অমনা মতৌ করম্না আধার কার্দ পায়গদৌরিবনো। হায়রিবা মীওই অদু আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েংদা লৈবাক অসিদা লৈতে হায়না লৌগদৌরিব্রা।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল অমনা আধারগুম্বা শক্তাক চে অমা শীজিন্নরগা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিংবু রিলিফ সেন্টরদা চঙজফম লৌহনবগী থৌরাং লৌখৎপা য়াই হায়না পুখৎলকখি।

ৱাফম অদুগী পাউখুমদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, ময়ূম-মকৈ লৈজদবা মীওই অমনা আধার কার্দ পায়বা হৌনদে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই কয়া য়াম্না আধার কার্দ পায়রবগে হায়না কোর্টনা হংলকখি-বদা সিনিয়র এদভোকেট প্রসান্ট ভুষননা কার্দ পায়বা মীওই ক্রোর ৯০ রোম লৈরে হায়না পাউখুম পীখি।

শুপ্নগী লুপা ৫০০ খক পীরগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই বিলিয়ন ১ রোম হেনবগী আধারদা য়াওবা অকুপ্পা ৱারোলশিং ইরায় লায়না খঙবা ঙম্লে হায়না পাউচে অমদা ফোঙলকখিবগা মপা চান্নবা হিয়ারিং অসি চত্থখিবনি। আধারগী চপ চাবা চন্নফমগী মতাংদা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা জন্যুৱারী ১৭ তা অরোইবা হিয়ারিং চত্থনবা থৌরাং তৌরিবনি।

চৈরকসিদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা আধার নম্বরগা মোবাইল নম্বর অমদি বেঙ্ক একাউন্টকা লিঙ্ক তৌহনবগী থৌরাং খূদোংথীনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, হান্নদগী হৌনা পান কার্দ অমদি ভোটর আই দি কার্দ পায়রবা মীওইশিংদা অমুক হন্না আধার কার্দ পায়হন্দুনা লৈবাক মীয়াম্বু খূদোংথীবা মায়োক্লহনগদৌরে।

পনবা য়াবদি, কার্গিলগী লানফমদা থৱায় থাখ্রবা লান্মী অমগী লোয়নবীবু আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক লায়েংবীদবনা মরম ওইরগা শিখিবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি।

অসিগুম্বা থৌওং অসিনা আর্ম ফোর্সেসতা লৈরিবা লান্মী অমসুং ওফিসারশিংগী পূক্নিং শোকহল্লে হায়না পল্লদুনা কার্গিল মার্টর বিজয়ন্ত থাপরগী অপোকপা ভী এন থাপরনা হায়খি, ইচম চম্না আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক কার্গিলগী লানফমদা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা লান্মী অমগী লোয়নবীবু লায়েংবীদবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে।

# য়ু পিদা কা হেন্না ঈংবদগী মীওই ৪০ শিখ্রে

## হন্দক চহীগী ওইনা ঈংবদগী শিখিবা মীওই পূন্না ১৪৩ শুখ্রে



লক্ষ্নৌ, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী: উত্তর প্রদেশতা কা হেন্না ঈংবদগী হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৪০ শিখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ঈংবনা মরম ওইরগা শিখিবা মীওই পূন্না ১৪৩ শুরে।

অয়ূক অঙনবদা কা হেন্না ঈংবগা লোয়ননা লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী কেপিটেল সীটি লক্ষ্নৌ অমসুং থংনবা মফমশিংদা মীয়াম্না খূদোংচাদবা মায়োক্লখি। উবা ঙন্বগী চাং হন্থরকপা মরম্না ট্রেন কয়ামরুম কেন্সেল তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী য়াথং মতুংইন্না লক্ষ্নৌদা স্কুলশিংগী ৱিন্টর ভেকেসন মতম শাংদোকহনখি। লৈচিল থাংবনা মরম ওইরগা লম্বী চৎথোক-চৎশিনদা খূদোংচাদবা মায়োক্লবগা লোয়ননা লম্বীগী খূদোংথীবা থৌদোক্তা মীওই কয়ামরুম শিখি।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা উবা ঙন্বগী চাং অঙকপা ফংনা হন্থরক্লে হায়রি। মশাগী চহী ৬ শুবদা ঙাইরিবা সত্যম কৌবা নুপামচা অমা বরাবঙ্কিদা স্কুল কাখ্রগা কা হেন্না ঈংবদগী শিরে হায়না মমা-মপানা ফোঙদোরকখি।

গভর্ণমেন্টনা মহৈতন্ফম লোইশঙ পূম্নমক থোঙ লোন্নবা য়াথং পীখ্রবসু প্রাইভেট স্কুল খরা থোঙ হাংদুনা লাইরিক তম্বা হৌরম্বদগী চহী নৌরিবা মহৈরোয় অমা শিবগী থৌদোক থোকখিবনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা ইনক্বারি চত্থদুনা লৈঙাক্কী য়াথং ঙাকখিদবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

কানপুর, ফটেহপুর, কনৌজ, পিলিভিট, মোরাদাবাদ, সম্ভাল, অমরোহা, রামপুর, হমিরপুর, অজমগর, ঘাজিপুর অমদি বালিয়াদসু কা হেন্না ঈংবদগী মীওই কয়ামরুম শিবগী রিপোর্ট ফংখি।

পনবা য়াবদি, মখা তানা অমম্বা লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী দিল্লিদা ট্রেন কয়ামরুম মতম থেংথনা লমথাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ট্রেন কয়ামরুম কেন্সেল তৌদুনা লাকখিবনি।

অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা কা হেন্না ঈংবদগী মীয়াম্না খূদোংচাদবা কয়া মরুম মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা লৈচিল-নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা ফ্লাইট অমসুং ট্রেন সার্ভিসতা চাওনা অপনবা পীদুনা লাকখি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিরোম জম্মু রিজনগী মফম খরদা উন তারকপদগী মীয়াম্না ইমুংদগী মপান থোকপা ঙম্নখিদে। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাদাখ রিজন মনুং চন্না লৈবা লেহদা মাইনস ১৫.৬ সেলসিয়স দিগ্রী য়ৌনা ঈংখি। শ্রীনগর অমসুং গুলমার্গতনা মথংশিৎনা মাইনস ১.২ দিগ্রী সেলসিয়স অমদি মাইনস ৯.৪ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখি।

চহী লোইবা নুমিৎতা কা হেন্না লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল (আই জি আই) এয়রপোর্ট মথৌ লেপ্পা লৈখ্রবনি।

অয়ুক অঙনবদগী হৌনা দিল্লিদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী মীয়াম্না উবা ঙন্বগী চাং হন্থরকখি। মদুনা মরম ওইরগা এয়রপোর্টতা ফ্লাইট সার্ভিস লেপহনখিবনি। অয়ুক ঙন্না লমথাগদবা ট্রেন ১৫সু কেন্সেল তৌখি।

হন্দক মরক দিল্লিদা লৈচিল থাংবনা মরম ওইরগা ফ্লাইট অমদি রেলৱে ট্রাফিক্তা চাউনা অপনবা থোকহন্দুনা লাকখি। আই জি আই এয়রপোর্টতগী পাইগদবা প্লেন ৯০ নৌনা মতম লেপখিবগা লোয়ননা দিল্লিদা থুংলগদবা ফ্লাইট ৪০ অতোপ্পা মফমদা ওইনা থুংহনখি। নিংথম থা হেক চঙলকপদগী দিল্লি অমসুং অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা কা হেন্না লৈচিল নোংফাই থাংলকপা মরম্না নুমিৎ খূদিংগী ফ্লাইট অমসুং ট্রেন কয়া কেন্সেল তৌদুনা লাকখিবনি।

# চাইনানা অরুনাচলদা লম্বী শেম্বা লেপখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী: অরুনাচল প্রদেশকী অপ্পর সিয়াং দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ভিশিং এরিয়াদা চাইনানা পায়খৎলম্বা লম্বী শেম্বগী থবক থৌরম পূম্নমক লেপ্লগনি হায়না অয়াবা পীরকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা মমাঙ থাদা চাইনিজ ৱার্করশিংদগী ফাখিবা এক্সকাভেটর অনী অমসুং অতৈ খূৎলায়শিং চাইনাদা অমুক হন্না পীথোকখ্রে।

চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল বিপিন রাৱটনা হায়খি, ঙমখৈদা লৈরম্বা চয়েৎনবা পূম্নমক কোকহনবা ঙম্লে। নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা বোর্দর পার্সনেল মীটিং (বি পি এম) পাঙথোক্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরম্বা ৱাখল তানদবা পূম্নমক কোকহনবা ঙম্লে।

জন্যুৱারী ৬ তা নাকল অনীনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ানবা পুরকপদগী চাইনানা অরুনাচল প্রদেশতা লম্বী শেম্বগী থবক মখা তানা পায়খৎল-রোই হায়না অয়াবা পীরকখিবনি।

মমাঙ থাদা চাইনিজ লান্মীশিংনা অরুনাচল প্রদেশতা কিলোমিটর ১ রোম হেন্না চঙশিল্লক্তুনা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎখি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা চাইনাগী থৌরাং অদু অথিংবা পীখিবগা লোয়ননা এক্সকাভেটর অনী অমসুং অতৈ খূৎলায় কয়ামরুম ফাজিনখিবনি।

মমাঙ থাদা অরুনাচল প্রদেশকী ভিশিং মনাক্তা লৈবা খুঙ্গং অমদা চাইনিজ লান্মীশিং চঙশিল্লকপগী থৌদোক অমা থোকখিবনি। অদুমওইনমক ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিনা অথিংবা পীবদগী চাইনিজ লান্মীশিং হন্দোকখি।

মফম অদুদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনসু চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈ লান-শিল্লকপগী থৌদোক থোকখি হায়না এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

লম্বী শেম্নবগী খূৎলায় কয়ামরুম পুরগা চঙলকখিবা চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈ ঙাক্লম্বা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা অথিংবা পীদুনা মরৈবাক্তা অমুক হলহনখিবনি হায়রি।

নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবাল অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনাগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী পোলিটব্যুরো মেম্বর য়াং জি চিনা ঙমখৈগী ৱাথোক লোয়শিনহন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রবা মতুংদা চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈ লানশি-ল্লকপগী থৌদোক থোকখিবনি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিলহন্দুনা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রবনি।

চাইনাগী ষ্টেট কাউন্সীলর য়াং জি চিনা ইন্দিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালগী উনদুনা ঙমখৈদা থোকখিবা ৱাথোক, ইন্টরনেসনল অমসুং রিজনেলগী ওইবা ৱাফম কয়া কুপ্না খন্নখিবনি। লূচিংবা অনীনা ২০লকশুবা ওইনা ৱারী শানখিবদা ঙমখৈগী ৱাথোক অমুক হন্না থোক-হন্দনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি। নাকল অনীমক্তা অকায়বা পীরক্কদবা লৈবনা য়েৎন-রিবা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিলহন্দুনা যুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা লূচিংবা অনীনা য়ানবা পুরকখিবনি হায়না জিনহুৱাগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দোক্লামদা যুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা নুমিৎ ৭৩নি মুক্লবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা লূচিংবা অনী উনখিবনি। নবেম্বর ১৮দা অহানবা ওইনা লৈবাক অনীগী লূচিংবশিং উনদুনা দোক্লামগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

# ইন্দিয়ন আর্মিনা পাকিষ্টানগী লান্মী ১৩৮ হাৎখি



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী: মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ন আর্মিনা টেক্টিকেল ওপরেসন চত্থদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল এল ও সীদা পাকিষ্টানগী লান্মী ১৩৮ হাৎখি হায়না ইন্টলিজেন্সকী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হায়রিবা মতম অদুদা ইন্দিয়ন আর্মিগী মায়কৈদা লান্মী ২৮ শিখি। অয়াম্বা মতমদা পাকিষ্টাননা মখোয়গী লান্মী শিবগী থৌদোক লোৎশিন্নবা হোৎনৈ হায়না পল্লদুনা ছোর্স অদুনা এজেন্সীদা হায়খি, হৌখিবা দিসেম্বর ২৫ দা ইন্দিয়ন আর্মিগী কম্যান্দো মঙানা এল ও সী লানশিন্দুনা পাকিষ্টানগী লান্মী অহুম হাৎখি। পাকিষ্টাননদি থৌদোক অদু লোৎশিন্নবা হোৎনখি।

ইন্টলিজেন্সকী ছোর্স পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, এল ও সী মনাক নক্লা থোকখিবা থৌদোকশিংদা পাকিষ্টানগী মায়কৈদা লান্মী ১৩৮ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা লান্মী ১৫৫ অশোক-অপন নংখি।

ওফিসল রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মমাঙ চহীদা পাকিষ্টানগী লান্মীশিংদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ৮৬০ থোকখি হায়রি।

মমাঙ চহী লোইরমদায়দা পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইরগা ইন্দিয়াগী লান্মী মরি হাৎখিবগী লমন খুন্বা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মিনা এল ও সী লানশিল্লগা পাকিষ্টানগী লান্মী অহুম হাৎপগী থৌদোক থোকখি। থৌদোক অদুদা পাকিষ্টানগী লান্মী অমসু অশোক-অপন নংখি।

দিসেম্বর ২৩দনা পাকিষ্টান আর্মিনা এল ও সী মনাক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রাজোরি দিষ্ট্রিক্টতা সিজ ফায়র থুগাইদুনা মেজর অমা য়াওনা ইন্দিয়াগী লান্মী মরি হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবা ওফিসার অদু ১২০ শুবা ইনফেন্ট্রি ব্রিগেদকী মেজর মোহার্কার প্রফুলা অম্বাদাস (৩২)নি। মহাক মহারাষ্ট্রগী বেদ্রা দিষ্ট্রিক্তগীনি।

লৈখিদ্রবা অতৈ লান্মীশিং অদুদি মশাগী চহী ৩৪ শুরবা অগ্নিতসরদগী লান্স নাইক গুরমেল সিংহ অমসুং হরিয়ানাগী কর্নালদগী পর্গত সিংহ (৩০) কৌবা সিফোই অমনি। কুমজা ২০১৬কী সেপ্টেম্বর ২৮ অমসুং ২৯গী লোন্নবা অহিংদা ইন্দিয়ন আর্মিনা এল ও সী ৱাংমা লান্না সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চত্থখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা এল ও সী মনাক নক্লা লৈবা পাকিষ্টানগী আর্মিগী মরুওইবা মফমশিংদা এটেক চত্থখিবনি।

# টেলিফোনগী খূত্থাংদা ট্রিপল টলাক তৌরকপগীদমক মপুরোইবগী মথক্তা ৱাকৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী: লোক সভাদা ট্রিপল টলাক থিংনবগী বিল অমা পাস তৌখিবা তারবসু উত্তর প্রদেশকী কৌশম্বীদা লৈবা নুপী অমনা মহাকপু টেলিফোনগী খূত্থাংদা মপুরোইবনা ট্রিপল টলাক্কী মতেং লৌরগা খাইনবীরে হায়না ৱাকৎলকখ্রে।

রোজি বেগম কৌবী নুপী অদুনা হায়খি, হৌখিবা চহী ৩/৪ রোম মপুরোইবনা মহাকপু তমথীনা ওৎ-নৈদুনা লাকখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌবা তারবসু মখল অমত্তগী থবক লৌখৎলকপা লৈতে। মতম খরগী মতুংদা মপুরোইবনা টেলিফোনদা অহুম্লক টলাক হায়রক্লগা মহাকপু খাইনখিবনি হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী রামপুরদসু নুপী অমা মপুরোইবনা অউনপোৎকা মরী লৈননা ট্রিপল টলাক্কী খূত্থাংদা খাইনবা লৈখ্রবনি।

দিসেম্বর ২৮ দা লোক সভানা মুস্লিম ৱিমেন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিএজ) বিল, ২০১৭ পাস তৌদুনা ট্রিপল টলাক থিংনবা থৌরাং লৌখৎখ্রবসু লৈবাক অসিগী তোঙান- তোঙানবা মফমদা ট্রিপল টলাককী মতেংনা নুপীওইবী কয়া মপুরোইবনা খাইনবগী থৌদোক থোক্লি।

পনবা য়াবদি, ট্রিপল টলাক বিলগী মতাংদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং য়েৎনরক্তুনা চরাংনবা থোরকপদগী রাজ্য সভাগী মীফম য়ৈথোকপা লৈখ্রবনি।

অপ্পর হাউসকী মীফম হেক হৌরকপগা লোক সভানা পাস তৌখ্রবা মুস্লিম ৱিমেন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) বিল হাউসকী মীফমদা লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা পুখৎলকখি।

লোক সভাদা ট্রিপল টলাককী বিল পাস তৌখ্রবসু লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ট্রিপল টলাককী চৎনবী মখা তানা অদুমক লৈরি। মোরাদাবাদকী নুপী অমবু অউনপোৎকা মরী লৈননা ট্রিপল টলাককী খূত্থাংদা মপুরোইবনা খাইনখি হায়না বিল অদু পুখৎলদুনা যুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

# উকিল ওইনা-ওইনা এম পি, এম এল এ ওইরিবশিংদা বার কাউন্সিলনা নোটিশ থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১০ (এজেন্সী: মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট, মেম্বর ওফ লেজিসলেটিব এসেমব্লি অমদি কোর্পোরেটর ওইনা-ওইনা উকিলগী শিনফমদা খোঙদারিবা পোলিটিসি-য়নশিংদা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা নোটিশ থাখ্রে।

বার কাউন্সিলনা থাখিবা নোটিশ অদুগী মতুংইন্না লেজিসলেটর ওইরিবা মীওইশিং উকিল ওইনা প্রেক্টিশ তৌবা য়াহনফম থোকপ্রা হায়বদুগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়রি। চয়োল অমগী মনুংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা জন্যুৱারী ২২ দা হীরম অসিগী মতাংদা ফাইনেল হিয়ারিং চত্থগনি হায়রি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা মেম্বর অহুম্না শাবা এক্সপর্ট কম্মিটিনা হৌজিক-হৌজিক এম পি, এম এল এ অমদি এম এল সী ওইরিবা উকিল ৫০০ রোমদা নোটিশ থাখি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা অমসুং উকিলগী শিনফমদা লৈরিবা এদভোকেট অশ্বিনি উপধ্যায়না চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া অমসুং বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেনদা অইবা চেরোল থাদুনা এম এল এ অমদি এম পিশিং লো প্রেক্টিশ তৌবা য়াহন্দনবা হায়জখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ১৯৯৬ কী এপ্রিল ৮ দা পীখিবা ৱায়েল অমা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, তোলোপ চাবা থবক তৌরিবা মীওই অমনা এদভো-কেটকী শিনফমদা খোঙদাদুনা লো কোর্ট অমত্তদা প্রেক্টিশ তৌবা য়াদে।

চৈরকসিদা, সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ১৯৮৪ দা থোকখিবা এন্টি সিখ রায়টকা মরী লৈনবা কেস ১৮৬ নৌনা অমুক ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা য়াথং পীখ্রে। কোর্টনা হায়খি, কেসশিং অদু নৌনা থিগৎনবগীদমক থবক্তগী পোত্থারবা হায় কোর্টকী জজ অমনা লুচিংবা মেম্বর অহুম্না শাবা কম্মিটি অমা শেম্লগনি। এন্টি সিখ রায়টকা মরী লৈনবা কেস পূম্নমক স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না ক্লোজ তৌশিনবা লৈখ্রবনি।

চীফ জষ্টিশ দিপক মিশ্রানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হন্দক শেমগদৌরিবা মেম্বর অহুম্না শাবা কম্মিটিদা কনা-কনা য়াওহনগদগে হায়বদু খঙহল্লক্লবা সেন্টরদা অইবা চেরোল অমা থাখি। কম্মিটিদা য়াওগদবা মীওইশিংগী মিং কোর্টনা শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। জষ্টিশ এ এম খনৱিলকর অমদি জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, হায় কোর্টকী জজ ওইরম্বা মীওই অমনা কম্মিটি অসি লুচিংগনি।

**BEFORE THE NOTARY/OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL**

**AFFIDAVIT**

I, **Loitongbam Roma Devi,** aged about 44 years, wife of L. Sharat Singh, residing at Meitram Makha Leikai, P.O. Tulihal, P.S. Nambol, District-Imphal West, State-Manipur, (India) do hereby take oath and solemnly affirm as follows :-

1. That, I am a bonafide citizen of India having my permanent residence at the above mentioned place. This is true to my knowledge.
2. That, I declare that before marriage my name is known as **Moirangthem Roma Devi** and after I married with Loitongbam Sharat Singh my name has been known as **Loitongbam Roma Devi**. This is true to my knowledge.
3. That, the above mentioned my names i.e. **Moirangthem Roma Devi** and **Loitongbam Roma Devi** are one and the same person. This is true to my knowledge.

Verified that the statements made in the above para No. 1 to 3 of this Affidavit are all true and correct to the best of my knowledge and no part of it is false.

Dated, Imphal
The 6th January, 2018
*By: Kh. Naouba Singh*
Advocate.

***Signature of the Deponent***
**L. Roma Devi**

*HL-P/359/11*

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

**ADMISSION NOTICE**

Dated, the 10th January, 2018

**No.MU/3-16/TK/Adm/Aca/12/949:** Applications on prescribed form are invited for admission into **One Year Certificate Course in Japanese** for the academic session 2017-18.

**Eligibility :** Graduation

**How to Apply:** Application forms are available at MU Cash Counter on payment of Rs. 100/- only or may be downloaded from **www.manipuruniv.ac.in.** For downloaded forms, bank draft of Rs. 100/- in favour of the Registrar, Manipur University payable at SBI, MU Campus Branch (Code No. 5320) should be enclosed.

**Where to submit :** Department of Foreign Language, MU.

**Dateline :** Last date of submission : 25-01-2018.

***Sd/-* David K. Zote**
***Joint Registrar***

*HL-B/4336/11*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

***Ref:- Mutation Case No. 21/SDC/KBI*** ***Date: 8/01/2018***

Subroto Paul S/o (L) Sudangsuchandra Paul of Saiton Nganukon.
*... Petitioner*

-Vrs-

Sudangsuchandra Paul S/o (L) Narendrachandra Paul of Saiton Nganukon.
*... O.P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ/ NOTICE**

Kumbi, the 10th Jan., 2018

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Sudangsuchandra Paul S/o (L) Narendrachandra Paul গী Saiton দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 55/1345 দাগ নং 3424 অমসুং এরিয়া 0.62 চাওবা ইঙ্খোল মফম অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা পেটিস্নর ওইরিবা মচানুপাগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা মশা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

*HL-P/361/11* ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Kumbi**

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE ELECTORAL REGISTRATION OFFICER/SDO: MOIRANG**
**FORM-16**
**See Rule 22 -(1)**

**NOTICE OF FINAL PUBLICATION OF PHOTO ELECTORAL ROLLS**

Moirang, the 10th January, 2018

To

The Electors of 27-Moirang and 29-Kumbi Assembly Constituency

**No.4/ERO(M)/ELEC-SSR/2015:** It is hereby notified for public information that the list of amendments to the Draft Photo Electoral Rolls for 27-Moirang and 29-Kumbi Assembly Constituencies have been prepared with reference to 01/01/2018 as the qualifying date and in accordance with the Registration of Electors Rules, 1960. A copy of the said Roll together with the list of amendments have been published and will be available for inspection at the office of the undersigned.

Place : Moirang
Date : 10/01/2018

***Sd/-* Lokeshor Brahmacharimayum**
**Electoral Registration Officer/SDO: Moirang**

*HL-B/4335/11*

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE ELECTORAL REGISTRATION OFFICER: THANGA**
**FORM-16**
**See Rule 22 -(1)**

**NOTICE OF FINAL PUBLICATION OF PHOTO ELECTORAL ROLLS**

Moirang, the 10th January, 2018

To

The Electors of 28-Thanga

**No.4/ERO(M)/ELEC-SSR/2015:** It is hereby notified for public information that the list of amendments to the Draft Photo Electoral Rolls for 28-Thanga Assembly Constituency have been prepared with reference to 01/01/2018 as the qualifying date and in accordance with the Registration of Electors Rules, 1960. A copy of the said Roll together with the list of amendments have been published and will be available for inspection at the office of the undersigned.

Place : Moirang
Date : 10/01/2018

***Sd/-* Alfred J. Khaute**
**Electoral Registration Officer: Thanga**

*HL-B/4334/11*